JP-1-10

This booklet contains 20 pages.
इस पुस्तिका में 20 पृष्ठ हैं ।

**PAPER I / प्रश्न-पत्र I**
**Manipuri Language Supplement**
**मनीपुरी भाषा परिशिष्ट**
**PART IV & V / भाग IV & V**

**Test Booklet Code**
**परीक्षा पुस्तिका संकेत**

**B**

**Test Booklet No.**
**परीक्षा पुस्तिका संख्या**

**326490**

**Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.**
**इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए ।**
**Read carefully the Instructions on the Back Cover (Page 19 & 20) of this Test Booklet.**
**इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ 19 व 20) पर दिए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें ।**

**For instructions in Manipuri see Page 2 of this Booklet. / मनीपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका का पृष्ठ 2 देखें ।**

## *INSTRUCTIONS FOR CANDIDATES*

1. This booklet is a supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part IV (Language I) **OR** Part V (Language II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Parts I, II, III from the Main Test Booklet and Parts IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part IV and Part V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Blue / Black Ball Point Pen only** for writing particulars on this page / marking responses in the Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **B**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **two** Parts, IV and V, consisting of **60** Objective Type Questions, each carrying 1 mark :
   Part-IV : Language I - (Manipuri) (Q. 91 to Q. 120)
   Part-V : Language II - (Manipuri) (Q. 121 to Q. 150)
7. Part-IV contains 30 questions for Language-I and Part-V contains 30 questions for Language-II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri language have been given. **In case the language/s you have opted for as Language-I and/or Language-II is a language other than Manipuri, please ask for a Test Booklet that contains questions on that language. The languages being answered must tally with the languages opted for in your Application Form.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Part -V (Language-II) in a language other than the one chosen as Language-I (in Part-IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

## *परीक्षार्थियों के लिए निर्देश*

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका की एक परिशिष्ट है, उन परीक्षार्थियों के लिए जो या तो भाग IV (भाषा I) **या** भाग V (भाषा II) **मनीपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों नहीं** ।
2. परीक्षार्थी भाग I, II, III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से ।
3. अंग्रेज़ी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग IV व भाग V के अन्तर्गत दिए गए हैं । भाषा परिशिष्टों को आप अलग से माँग सकते हैं ।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं उत्तर पत्र पर निशान लगाने के लिए **केवल नीले/काले बॉल पॉइंट पेन** का प्रयोग करें ।
5. इस भाषा पुस्तिका का **संकेत** है **B** । यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट पुस्तिका का संकेत, उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य परीक्षा पुस्तिका पर छपे संकेत से मिलता है । अगर यह भिन्न हो तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में **दो** भाग IV और V **हैं**, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं, जो प्रत्येक 1 अंक का है :
   भाग-IV : भाषा I - (मनीपुरी) (प्र. 91 से प्र. 120)
   भाग-V : भाषा II - (मनीपुरी) (प्र. 121 से प्र. 150)
7. भाग-IV में भाषा-I के लिए 30 प्रश्न और भाग-V में भाषा-II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं । इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मनीपुरी भाषा से संबंधित प्रश्न दिए गए हैं । **यदि भाषा-I और/या भाषा-II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मनीपुरी के अलावा है तो कृपया उस भाषा वाली परीक्षा पुस्तिका माँग लीजिए । जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिए ।**
8. **परीक्षार्थी भाग-V (भाषा-II) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा I (भाग-IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो ।**
9. रफ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें ।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर पत्र पर ही अंकित करें । अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें । उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है ।

SEAL

Name of the Candidate (in Capitals) : ____________________
परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में) :
Roll Number : in figures ____________________
अनुक्रमांक : (अंकों में)
: in words ____________________
: (शब्दों में)
Centre of Examination (in Capitals) : ____________________
परीक्षा केन्द्र (बड़े अक्षरों में) :
Candidate's Signature : ____________________ Invigilator's Signature : ____________________
परीक्षार्थी के हस्ताक्षर : निरीक्षक के हस्ताक्षर :
Facsimile signature stamp of
Centre Superintendent ____________________

বুক্‌লেট্‌সি লমায় 20 য়াওই ।

# JP-1-10

টেস্ট বুক্‌লেট্‌ কোড **B**

## পেপর I

# মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট

## ভাগ IV & V

**হায়রক্রিফাওবা টেস্ট বুক্‌লেট অসি হাংদোক্কনু ।**

**বুক্‌লেট্‌সিগী নীতি-নীয়মশিং (instruction) (সাইদ 19 & 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ ।**

***কেন্দিদেটসিংদা পীবা ইন্সট্রক্সনসিং :***

1. বুক্‌লেট্‌সি **মণিপুরী** লেঙ্গুয়েজদা পার্ট IV (লেঙ্গুয়েজ I) নত্রগা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা পরিক্ষা থানিংবা কেন্দদেটসিংগীদমক মেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তুগী সপ্লিমেন্ট অমনি । অনিমক্তি পুন্না পরিক্ষা থাবা য়ারোই ।
2. কেন্দিদেটসিংনা ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেটতগী পার্ট I, II অমসুং III অমসুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদগী পার্ট IV অমসুং V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।
3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজসিংগী পার্ট IV অমসুং পার্ট V ৱাহংসিং ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তা পীরে । লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টসিংগীদমক তোঙান্না হংবা য়াই ।
4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং **ইননবা ব্লু/ব্লেক বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ ।
5. লেঙ্গুয়েজ বুক্‌লেট্‌সিগী কোডতি **B** নি । আনসর **শীতকী সাইড-2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্‌লেট্‌কীসিগা চপ মান্নরা হায়না য়েংউ । মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্‌লেট্‌ অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি ।
6. বুক্‌লেট্‌ অসিগী পার্ট **অনিনি** IV অমসুং V । মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং 60 যাওই :

   পার্ট IV : লেঙ্গুয়েজ I — (মণিপুরী) (ৱা : 91 দগী ৱা : 120)

   পার্ট V : লেঙ্গুয়েজ II — (মণিপুরী) (ৱা : 121 দগী ৱা : 150)
7. পার্ট IV লেঙ্গুয়েজ I গী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট V লেঙ্গুয়েজ II গী ৱাহং 30 য়াওই । বুক্‌লেট অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরিলৈনবা ৱাহং হংই । **নহাক্না নওগী লেঙ্গুয়েজ I অমসুং নত্রগা II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা টেস্টবুক্‌লেট্‌ অমা পীনবা হায়বীয়ু । পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজসিংদু নহাক্নী এপ্লিকেশন ফোর্মদা ইখিবা লেঙ্গুয়েজসিংগা মান্নগদবনি ।**
8. **কেন্দিদেটসিংনা লেঙ্গুয়েজসিংগী লিষ্টতগী লেঙ্গুয়েজ I ওইনা খনখিবদু নত্তবা অতোপ্পা লেঙ্গুয়েজ অমদা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II)দা য়াওরিবা ৱাহংসিংগী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।**
9. টেস্ট বুক্‌লেটতা পীরিবা মফমদুতদা রফ ৱর্ক তৌগদবনি ।
10. পউখুমসিংদু OMR পাউখুম চেদা ইগদবনি । নওগী পাউখুসিংদু চেকসিন্না মার্ক তৌ । পাউখুমসিং হোংনবা মুক অঙৌবা শীজিন্নবা য়াদে ।

কেন্দিদেটকী মীং (অচৌবা ময়েক্তা) : ____________________

রোল নম্বর : অঙ্ক ময়েক্তা ____________________

: ৱাহৈদা ____________________

পরীক্ষাগী সেন্টর (অচৌবা ময়েক্তা) : ____________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ____________________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ____________________

Facsimile signature stamp of

Centre Superintendent ____________________

Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for **MANIPURI** as **LANGUAGE-I**.

# PART-IV
# LANGUAGE-I
# MANIPURI

খৃষ্টকুম ১৯২৮-৩০ গী চাক তাঙবদা চাদ-থক্তবগী খোল্লাউনা মণীপুরগী মরীমক মফম খুদিংমক ইমা-লাউবগা মান্নবা ৱানখ্রবা মতমদা চাদবনা মমি - শাল্লবা তুরোই ঙল্লোইনরবা লৈবাক মীয়ামগীদমক.

কনানা সিপাইগী শঙ্গিন মরক্তা চোংশিন্দুনা চেঙগী মিল থিংখি মপান্দ চেঙ থাবা থিংখি ? অতৈ কনানা নত্তে, মৈতৈ নুপীনা, য়ুম-গোইবী মীতৈ নুপীনা । অসিবু কাউজন থিবা কনানা কাউবা ঙমগদগে ?

ঙসি ঙরাংগী ৱানি য়ুগী নেশানা লাকহৎতুনা মশা মাঙহন, মরমচৎ মাঙহন, মরল মথুম মাঙহন তৌদুনা মশাগীসু সমাজগীসু মাঙননবা তৌবা মীশিং অসি নোংম নোংমগী হেনগৎলক্তুনা সমাজদা অকি'মশক ওইরবা তমথিরবা লাইথুং অমা শন্দোক্লবা মতমসিদা পুলিসকী থৌরাং ঙাইদনা কনানা ঙসি লাইথুংসি মুথৎনবা হোৎনবিরি ? কনানা ওইগনি ? নিপানা থক চাগেদা হায়দুনা তানফম ওইরিবী, মৈতৈ নুপীনি । অসিবু খজিক খরাক্কী লমন নত্তে ।

জগৎ অসিদা চাংদন্নিংঙাই লৈতবী মৈতৈ নুপীনি । রামায়ণ, মহাভারত্তা মৈতৈ নুপীগুম্বা থিবা ফংলোই, রবী অমসুং সরৎকী ৱারী উপন্যাসদা য়াওবা নুপীনা মৈতৈ নুপীগী মনাক নকচবা ঙল্লোই । মৈতৈ নুপীদি লৈশেম মীশেল্লকপা লাইদুনা তোপ তোপ্পা শেল্লম্বা মাল্লি ।

নুতিগী কোল্লিক-ৱাইরম শেংদুনা চাকথোং ফৌশু ভৌদুনা চাগদবা খরা চারগা ঙনতানা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল কাদুনা ফনেক, ইনফি ফিরোল য়োঙ্গদুনা মচাবু বি, এ, এম, এ, পাস তৌবা ঙমহন্নবা হোৎনরিবী মৈতৈ নুপী লুখ্রাবী । মচাগী হোৎনবদা চাবা মচেৎ, শেৎপা মচেৎনা মাগী মশরুক ওই, মচাদা লাইনিং ওইরিবা সিগুম্বী লুখ্রাবী মফম কৈদা থেংনরোই । পুন্সিগী লমখাংদা মনুং মতম চাদনা লাইরৈবাক তানখ্রবা মপুরোইবগী ঈ-তোংগী মহুৎশিল্লবা মচাবু মী ওইনবা শেম্বনা মপুরোইবগী সেবা মতোল্লোম্বনি খঞ্জরিবী অনোম-কনবী লুখ্রাবী মৈতৈ নুপীনি ।

অদুনা অহিং তাংলৌ অথেঙবা মীনা তূমখুন হুনখ্রবা ফাওবদা চোকথরবা মশাদু ৱাবা খঙদবা শারদুনা য়োংখম থক্তা ফমদুনা মচিন্দা ঈশৈ ঙংদুনা হয়েংগী কৈথেন নংনবা চরৈ ফিরোই তাল্লিবী ফিশাবী মৈতৈ নুপী ।

**Direction : (তৌগদবা তাকপা)** : অপীবা বারেং মতেক অদুদগী ৱাহং **91** দগী **99** ফাওবা খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীরকউ :

**91.** : - মৈতৈ নুপিগী মগুনসি য়েংলগা করন্না খন্নবগে ?

(1) মৈতৈ নুপীদি লৈশেম মীশেল্লকপদা লাইনা তোপ তোপ্পা শেল্লম্বা মাল্লি ।

(2) রামায়ণ, মহাভারতত্তা মৈতৈ নুপীগুম্বা থিংবা ফংই ।

(3) রবী অমসুং সরৎকী ৱারী উপন্যাসতা য়াওবা নুপীগা মান্নে ।

(4) মৈতৈ নুপী মত্তত্তন মান্নবা য়ান্না ফংই ।

**92.** মৈতৈ নুপী লুখ্ৰাবীনা করি করি তৌবা ঙমবগে ?

(1) মৈতৈ নুপী লুখ্ৰাবীনা কোল্লিক ৰাইরম শেংই ।

(2) মৈতৈ নুপী-লুখ্ৰাবীনা কোল্লিক ৰাইরম শেংদুনা ফৌশু তৌদুনা ফিয়োন্দুনা মচাবু বি, এ, এম, এ, তৌবুনবা ঙমই ।

(3) মৈতৈ নুপীনা কৈথেল দমক কাবা ঙমই ।

(4) মৈতৈ নুপীনা ফিদমক য়োনবা ঙমই ।

**93.** মৈতৈ নুপী লুখ্ৰাবী মগুণ করিনো অমসুং মফম পুন্নমক্তা ফংবরা ?

(1) মচাগী হোংনবদা চাবা মচেৎ, শেংপা মচেৎ অমসুং মচাদী লাইনিং ওহবা মৈতৈ নুপী লুখ্ৰাবী মগুনশিং মফম অতৈদা থেংনরোই ।

(2) মৈতৈ নুপীগী মগুনসি মফম খরদসু ফংই অমসুং থেংনৈ ।

(3) মৈতৈ নুপীনা মচাগী দমক খল্লি ।

(4) মৈতৈ নুপী লুখাবীনা চাবা থকপদা পূক্নিং চঙদে ।

**94.** মচাগী সেবা তৌববু মৈতৈ নুপী লুখ্ৰাবীনা করি ওইনা খনবগে ?

(1) মচাবু নুংশিবনি ।

(2) মচাবু মী ওহনবনি ।

(3) মপুরোইবগী – ঈ-তোংগী মহুৎশিল্লবা মচানি হায়না খনবননি ।

(4) মপুরোইবগী-মহুৎশিল্লবা মচাবু মী-ওহনবা শেম্বনা মপুরোইবগী সেবা মতোনলোম্বনি, অনোম-কনবী লুখ্ৰাবী মৈতৈ নুপীনি ।

**95.** মৈতৈ নুপীগী অফবা মগুন করিনো

(1) মৈতৈ নুপীনা অৱাবা খঙদনা ঈশৈ শকই ।

(2) মৈতৈ নুপীনা অহিং অথেঙবা ফাওবা ফি শাই ।

(3) মৈতৈ নুপী অহিং অথেঙবা ফাওবা মশাসী ৱাবা খঙদনা, ঈশৈ শক্তুনা, কৈথেল নংনবা ফিশাবী মৈতৈ নুপীনি ।

(4) মৈতৈ নুপীনা নুমীৎখুদিংগী কৈথেল কাই ।

**96.** খৃষ্টকুম ১৯২৮-৩০ গী চাক তাঙবদা মণিপুরগী মায়কৈ খুদিংমক ইমা-লাউবগা মান্নবা ৱাখ্বদা লৈবাক্কী মীয়ামগীদমক সিপাইগী সঙ্গিনগী মরক্তা চোংশিন্দুনা চেঙগী মিল থিংথি অমসুং মপান্দা থাবা য়াহনখি দ্রিবদু কনানানো ?

(1) মীয়াম্মনি ।

(2) নুপাশিংননি ।

(3) অশিংবা মীশিংননি ।

(4) অতৈ কনানা নত্তে, মৈতৈ নুপীনা, য়ুম-গোইবী মৈতৈ নুপীননি ।

**97.** হৌজিক্কী মতমদা খৃষ্ট ১৯২৮-৩০ গী চেঙ তাঙবগী থৌদোক্তা মৈতৈ নুপীনা লৌখিবা থৌদাং অদু কাউথোকখ্ৰবরা ?

(1) কাউথোকখ্রে ।

(2) খৃষ্ট ১৯২৮-৩০গী চেঙ তাঙবদা মৈতৈ নুপী, য়ুম-গোইবী না চেঙ থাবা অমসুং থিংখিবদা লৌখিবা থৌদাং অদু হৌজিক ফাত্তবা কাউনদ্রি ।

(3) নুপাশিংনা কাউনখ্রে ।

(4) মীপূম খূদিংনা কাউনখ্রে ।

98. ঙসি সমাজদা য়ুগী নেশানা লাকহৎতুনা মশাগী অমসুং সমাজগী মরল-মথুম মাঙননবা তৌবা মীশিং হেনগৎ লক্কুনা সমাজদা তমথিরবা লাইথুং অমা শন্দোক্লবদা পুলিসকী থৌদাং ঙাইদনা লাইথুংসি কনানা মুথৎনবা হোনবগে ?

(1) নুপা সমাজ খরাননি ।

(2) দেশকী নুপাশিংননি ।

(3) লাইরিক হৈবা অহল খরাননি ।

(4) নিপানা থক চাগেদা হায়দুনা তানফম ওইরিবী, মৈতৈ নুপীননি ।

99. : - য়ুগী নেশাদগী সমাজবু কননবা হোৎনবসি অরায়বা থবক লা অমসুং করম্বা লমন নো ?

(1) মসি ইচম চম্বা থবকনি ।

(2) য়ুগী নৈশাদগী সমাজবু কন্নবা হোৎবসি মীপূম খুংদিং ইরাই লায়বা থবকনি হায়না লৌনে ।

(3) অসিগুম্বা থবকসি য়াম্না চাউবা থৌদাংনি অমসুং খজিক খরাক্কী - লমন নত্তে ।

(4) মসিবু অপঙবা থবকনি হায়না লৌনৈ ।

হে পাখংশা ? বিজ্ঞান হৈরবা,
করিগীনো মন্ত্রবু থাজদ্রিবা
পাল্লবদা নুংশিগী মন্ত্রনা,
মিং তাঙগনি পাঙনা পাঙনা
না পঙগনি তা-না তা-না;
পঙগনি লৌশিং থৌনা থৌনা ।
লৈনম হুদুনসু মলয়ানা,
"নুংশি" "নুংশি" হায়নবগুম্না,
পুক্নিং হুদুনসু নুংশিবা মীনা
মখনগনি "নুংশি" "নুংশি" হায়না ।

**Direction : (তৌগদবা তাকপা)** : পীরিবা শৈরেং মতেক অদুদগী ৱাহং **100** দগী **105** ফাওবগী খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম খন্দুনা ইরকউ :

100. করম্না নুংশিগী মন্ত্রনা পাল্লগা না পঙগদৌ রিবনো ?

(1) খল্লুদে

(2) তারুদে

(3) নুংশিবদগী না পান্না পান্না পঙশিল্লী ।

(4) নিংলুদে ।

101. করম্না নুংশিগী মন্ত্রনা পাল্লগা মিং তাঙগ লিবনো ?

(1) নুংশিগী মন্ত্রনা পানবদগী শাত্তরকই

(2) নুংশিগী মন্ত্রনা পাল্লবদি মিং তাঙবগুম খন্নকই, নুংশিবদা থল্লি ।

(3) নুংশিগী মন্ত্রনা মিং নারকই ।

(4) নুংশিবদু য়েংনিংদে ।

**102.** লৈনম হুরিবা মলয়াবা করিগী নুংশি হায়রিবনো ?

(1) লৈনম হুরিবা মলয়াবা য়েকনবনি খল্লকই

(2) লৈনম হুবদগী শাত্তরকই

(3) লৈনম হুরিবা মলয়াবু নুংশিদে

(4) লৈনম হুরিবা মলয়াবা নুংশিরকই ।

**103.** ৱাহং নম্বর (১) : বিজ্ঞান হৈরবা পাখঙশিংনা করিগী মন্ত্রবু থাজদ্রিবনো ?

(1) লাইরিক হৈতবননি ।

(2) লাইরিক হৈবননি অমসুং বিজ্ঞান হৈরবা পাখঙশিংনা মন্ত্রবু থাজদে ।

(3) পঙবননি ।

(4) খঙদবননি ।

**104.** করম্না নুংশিগী মন্ত্রনা পাল্লগা মিৎ তাঙগ দৌরিবনো ?

(1) মিৎ তাঙুলিবসি উদবদগী ।

(2) নুংশিদবদগী মন্ত্রবু থাজরক্তে ।

(3) লাইরিক হৈবদগী নুংশিববু থাজরক্তে ।

(4) নুশিবগী মন্ত্রনা পান্দুনা মীশক অমা লৌশিং থৌনা ফনা থৌজরবসু পঙগদৌরিবনি অমসুং মিৎতাংলিবনি ।

**105.** করম্না নুংশিগী মন্ত্রনা পাল্লগা না – পঙ্গদৌরিবনো ?

(1) নুংশিবদগীনি ।

(2) পঙবদগীনি ।

(3) খঙদবদগীনি ।

(4) লালবদগীনি ।

**তৌগদবা তাকপা** : খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাউখুম পিয়ু :

**106.** রেস্টোর‍্যান্তা থেৎপা মখাগী ৱাহৈপরেংশিংসি পরগা, করম্বনা লানবগে ।

অহাত্তবা মরু-মরাং থাকপা অচা-অথক শিংসি চারীয়ু । ফোং – ফোং শারিবা Chocolate Buisqiut য়াওরি । মহাক্কী মহাত্তসিদি হাওই ।

(1) অহানবা পরেং অমসুং অনিশুবা পরেংনি ।

(2) অহানবা পরেং খক্তনি ।

(3) অহানবা পরেং অমসুং অহুমশুবা ৱাহৈ পরেংনি ।

(4) অহুম শুবখক্তনি ।

**107.** অনৌবা পুথোকপগী নিয়ম (Principle of Discovery) হায়বসি গ্রামার-ক্লাসতা মহৈরোইশিংনা -

(1) গ্রামারদা য়ুস্ক্ষম ওইবা বাখলগী- থৌদাংশিং অমগা অমগা খন্ন-নৈন্নবদুনি ।

(2) অকরুবা নিয়ম খরা খুদমগা লোয়ননা পুথোক্তুনা শাগৎপনি ।

(3) থৌদাং অমা পাংথোকপদা গ্রামারগী নিয়মশিং মিৎনা শিংনা খনবদুনি ।

(4) গ্রামারগী - অরানবা শিং ওঝানা লান্দনবা তৌবদুনি ।

**108.** Kinesthetic Intelligence হায়বসি মহৈরোইশিংনা তম্বা ঙম্বগী -

(1) য়াম্না চাওখৎলবা তাবগী হৈশিংবশিং অমসুং লাইঅয়েকপাশিং উবগী মহুত্তা, ৱাহৈ ওইনা খনবদুনি ।

(2) উবগা খঙবগা মান্নবা (ফোংদোকপনি) ।

(3) ঈশৈরোমদা ওনশিনল্লগা, মখোন, তাম্বা অমসুং মত্তংশিংদা খনবনি ।

(4) অচুম-অরানগী ৱাখনলোন অমসুং মশিংগী নমুনাশিং অমদি তোঙান্না ফংবা পাওশিং শমজিন্নবনি ।

**109.** মাহৈরোই শিংগী 'অকরুবা লাইরিক-লাইত্তগী অপাম্বা' (specific academic aptitudes) হায়বসি মখাগীসিনি -

(1) করীগুম্বা ওইরোইদবা অমসুং অপংবা পাইখুম পীবদুনি ।

(2) অতোপ্পগী হৈশিংবা অমসুং অঙম্বশিং খঙবদুনি ।

(3) হকচাং ফনা লৈবদুনি ।

(4) থৱায়না পাম্বা লমদা লিশাংশিংনা থৱাইহকচাং য়াওবদুনি ।

**110.** মণিপুরী ফজনা ঙাংবদা হান্না ফংবা গ্যানশি মখা পোনবসি

(1) খন্নবা হিরম শাগৎপনি ।

(2) হান্না তম্লবদু শিজিন্নবনি (transfer of learning)

(3) শিনলমগী ওইবা ৱাহংহংবদুনি ।

(4) অশেংবা উহনবদুনি ।

**111.** ওঝাগী Training techniques মখোয়গী হৈশিংবসি (skill) অত্তইবা মালহনলগা (Simulation)

(1) পারা শেন-শাবদুনি ।

(2) ভিদিত্ত য়েংবদুনি ।

(3) micro teaching তৌবদু নি ।

(4) পারা তাকপগী পারা শেম্বদুনি ।

**112.** ইবগী করম্বা মতমদা 'free writing', 'brain storming', 'clusturing' অমসুং idea mapping শিংসি খ্বাইদগী মরু ওইবগে ।

(1) ইদ্রিঙেগী মমাং (prewriting) দুনি ।

(2) ইথোকপদুনি ।

(3) অমুকহন্না য়েংবদুনি ।

(4) লানৱা য়েংবদুনি ।

**113.** ৱাহৈশিংসিনা করম্বা Stuctures তাকপগে ? থত্তইদুনা, ঙসি, লাত্তনা, তপ্পা, হয়েং, সিদা শাত্তনা, মফম অমদা, হৱাত্তনা, কোন্না, মফম খুদিংসবাতা

(1) nouns (2) modals
(3) adverbs (4) pronouns

**114.** ইবসি খ্বাইদগী ফবা মত্তংদা মখাগী মথং-মনাত্তগী মত্তংসিদনি ।

(1) খোমজিনবা, মথং-মনাত্ত নাইবা, ইথোকপা, হন্না ইথোকপা,

(2) খোমজিনবা, মথং-মনাত্ত নাইবা, হন্না ইথোকপা, ইথোকপা,

(3) মথং-মনাত্ত নাইবা, খোমজিনবা, ইথোকপা, হন্না ইথোকপা,

(4) ইথোকপা,খোমজিনবা, মথং-মনাত্ত নাইবা, হন্না ইথোকপা,

**115.** লোনসী class তা ঐখোয়গী মহৈরোইশিংদা সাহিত্যানা ________

(1) সংস্কৃতি ওইবা পোৎ উহন্দে ।

(2) মখল-মখা কয়াগী লোনগী ওইবা মচাক পী ।

(3) মনিপুরী সি চৎন্নদ্রবা মত্তংনি ।

(4) অরুবা ৱাহৈশিং পি ।

**116.** মখাদা পিরিবশিং সিদগী অমনা ৱাহৈপরেংগী মনুংদা লৈবা মরিদু মহৈরোইশিংনা পাবদা তাকই ।

(1) Adverb নি ।

(2) Pronoun নি ।

(3) অকরুনা খঙনবা noun নি ।

(4) Phrasal Verb নি ।

**117.** মখাদা পিরিবা ৱাহৈ-পরেংসি করম্বনা চুম্বগে ?

(clue : কনাগুম্বা অমনা বস ফান্নবা হোৎন্নবদনি)

(1) বস ফান্নবা চেনবদা অহনদু নানখুরগা তুরে ।

(2) বস ফান্নবা চেনবদা অহনদুগী ফুরিৎখাওদগী ৱালেত তাহৌরে ।

(3) বস ফান্নবা হোৎন্নবদা অহনদুগী মমায়দু হুমাংনা পুংলুপ-লুপ্পে ।

(4) বস ফান্নবা হোৎন্নবদা, অহন্দুনা মশাগী চহি য়ামশিনলক পদুবু শাওজে ।

**118.** মখাদা পিরিবা স্টেটমেন্ত (statement) শিংগি লোইনবা তাবগী মত্তংগী ঙাক্তনি, অমখকতি নত্তে, করম্বনো ?

(1) ফজনা তাবনা ঙাঙলিবা মীগী মতেং পাংই ।

(2) মী খরনা খন্দোক্লগা তাবা তম্মি অমসুং তানিংদবদু তাদে ।

(3) ফজনা তাবা হৈবা ঙম্ববা হায়বসি মশানা training য়াওদনা লাকপদুনি ।

(4) তাবা হায়বসি ৱাঙাংন্নবগী তংখাই অমদি ওই ।

**119.** মৈতৈরোননী ৱাহৈ 'ঙাইবা' হায়বসি তম্বিবদা নংনা তৌগদবসি -

(1) মহৈরোইদুবু খরা মান্নবা ৱাহৈ 'ঙানবা' হায়বসি হায়য়ু – হায়দুনা হোৎন্নহনবা ।

(2) অর্থ খঙলগা ক্লাসতা হায়বিবা ।

(3) Pronounciationগী dictionary শিজিন্নৱগা ৱাহৈদুবু ক্লাসতা খঙন্নবা তাকপিবা ।

(4) মহৈরোইশিংদা মসি মপানগী ৱাহৈনি হায়বা ।

**120.** ৱারি অসগী মিংথোন, হিরমশিং অমসুং মিংনা উবা য়েংলগা খল্লু, নঙনা খঙনিংবশিংজশিনলো, মসিদা পীরিবা activity সিগী মত্তংসিবু -

(1) মিংনা উরগা খনবনি ।

(2) ৱাহৈ লান্ন-শিজিন্নবনি ।

(3) হান্না খৱবা লৌশিং শিজিন্নবনি ।

(4) তুংদা থোক্লক্কদবদু হান্না হায়বনি ।

Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for **MANIPURI** as **LANGUAGE-II**.

# PART-V
## LANGUAGE-II
## MANIPURI

বিজ্ঞাননা মুপা-মুপীগী পুন্সিদা হীরম অনীখক্তা ঈথিল পীবে । মসি শিজিন্নবদগী নুপা নুপীনা শগোলনা চিংবা গাড়ী ভোংদুনা চৎপগী মহুত্তা মোটোর কার থৌদুনা নত্রগা বস তোংদুনা চৎপা ৱারে, হেলোইগুম্বা ভুত-প্রেত শান্নদুনা জনা-লারেংবগী মহুত্তা ডাক্তর নত্রগা সরজন অমনা লায়েংবা ফংলে, থাঙবা নত্রগা শীংজংনা য়ান্দুনা শিজবগী মহুত্তা ওটোমেতিক পিস্তোলদা নত্রগা নোংমৈ মরু অমনা শিহনজবা য়ারে ।

বিজ্ঞাননা নুপা-নুপীগী ৱাখলগী মীৎয়েং অমসুং মোৎকী লমদসু ঈথিল পীরি । মী অয়াম্বনা পৃথিবী অসি মতুম তায়, অতিয়া অসি কন কন লাউবা পোৎশক ওইবগী মহুত্তা অয়াম্বদা ইহাঙ হাংঙি হায়বসি থাজনরে । অদুগা ঐখোয় অসি শা-ঙানা পারোন-পুরোন ওইদুনা হৌরকপনি অমদি বাইয়োলোজিকেল উপায় শিজিন্নদুনা মীওইবগী মহৌশা অসিদা মায়কৈ কয়াদা হেঙ্গৎহন্দুনা চাওখৎহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়বসিদা ঐখোয়গী থাজবা লৈবা হৌরে ।

অদুবু বিজ্ঞাননা মীওইবগী পুকনিং ৱাখলদা হান্ননা লৈরক্লবা থাজনবা কয়াবু অতোপ্পা কয়া অমনা মহুৎ শিন্দোকহনবা নত্রগা য়ানদুনা লৈরবা মোৎ কয়াগী মায়য়োক্তা চিংনবগী ৱাখল পোকহনবতা নত্তনা হেন্না চাউবা কান্নবা কয়া পাঙথোকহনবা য়াই । মসিনা মীওইবগী মরক্তা মসিগী মরমদা থিজিল-হুমজিল্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা খন্নরিবা-নৈনরিবা ৱাফমশিং মদুনা নুপা লিশিং কয়া অমসুং নুপী দজন খরনা হৌজিক্কী মতমগী সভ্যতা শাগৎলিয়া বিজ্ঞান হায়বসিগী মরমদা লৈরিবা মীৎয়েং অসি অসুম অসুম শন্দোকহল্লকপা য়াই । মরমদি, ঐখোয়না মহৌশা হায়বসিবু খুদুমচনবগুম্না ইশা ইশাগী অমসুং অমনা অমগী থবকপু খুদুম চনগে হাররবদি বিজ্ঞানগী মীৎয়েং অসি লেবোরেটোরিদগী মপান্দা পুথোরক্লুনা অযুক-নুমিদাংগী পুন-সিদা ঙাইহাক লৈতনা থোক্লিবা থৌদোকশিংদা পানশিন্নবা হোৎনবা তাই । ইন্দস্ত্রি, লৌউ-শিংঙুবা, লান অমসুং হিদাক-লাংথককী লমদা অচৌবা অওনবা পুরক্লিবা মীৎয়েং, ৱাখল অসি ইমুং-মনুং জাতি নত্রগা মীওইবা কাঙলুপকী লমদা শিজিন্নরকপদা করিসু কান্নরোই হায়না খনবদি অপঙবা ওইগনি ।

**তৌগদবা তাকপা** : অপীবা ৱারেং মতেক অদুদগী ৱাহং **121** দগী **129** ফাওবা খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীরকউ :

**121.** মীত্তইবা অসি বিজ্ঞান্না করয় তৌরগা ওইরকপনি অমসুং করন্না চাওখৎহনগদগে হায়বগে ?

(1) মীত্তইবা অসি শা-ঙা দগী হৌরকপনি অমসুং বাইয়োলোজি গী মতেঙ্না মীত্তইবা হেঙ্গহেনবা অমসুং চাওখৎহল্লে হায়বসি থাজনরে ।

(2) নুপা-নুপী (মীত্তইবা) অসি শা-ঙা দগী হৌরকপনি ।

(3) বাইয়োলোজিগী মতেঙ্না নুপা-নুপী হেঙ্গৎহনবা ঙমলে ।

(4) বাইয়োলোজিগী মতেঙ্না মীত্তইবা চাওখৎহনবা য়ারে ।

122. বিজ্ঞানা মীওইবগী পূকনিং ৱাখলদা হান্নগা লৈরক্লবা থাজনবা নম্রগা য়ানরবা মোং কয়া বু চিংনবা ৱাখল পোকহনবতা নত্তনা হেন্না চাউবা করন্না পুথোকপগে ?

(1) বিজ্ঞানা মীওইবগী পূক্লিং ৱাখলদা থাজনর কলবা অমসু য়ানরবা মোং অমসুং ৱাখলদা চিংনবা পোকহল্লে

(2) বিজ্ঞান্না ৱাখলদা চিংনবা পোকহল্লে ।

(3) বিজ্ঞানা হেন্না চাউবা কান্নবা পাঙথোকহনবা ঙমলে ।

(4) বিজ্ঞানা মীওইবগী পূকনিং ৱাখলদা হান্ননা থাজনরক্লবা কয়াবু অতোপ্পনা মহুৎ শিন্দুনা তামদিয়ান্নরবা মোংকয়াগী-মায়য়োক্তা চিংনব পোকহনবতা নত্তনা হেন্না চাউবা কান্নবা কয়া পাঙথোকহনবা য়াই ।

123. বিজ্ঞানা থিজিল-হুমজিল্লিবা মওইশিংগী মরক্তা খন্নরিবা-নৈনরিবা ৱাফমশিংদুনা মতমগী-সভ্যতা শাগৎলিবা বিজ্ঞানগী মীৎয়েং করন্না শন্দোকপা য়াবগে ?

(1) বিজ্ঞান্না থিজিল-হুমজিল্লিবা মীওইশিংদা খন্নরিবা নৈনরিবা ৱাফমশিংনা নুপা নুপী কয়াদা মতমগী সভ্যতা শাগৎলিবা বিজ্ঞানদা লৈরিবা মীৎয়েং অসি অসুম অসুম শন্দোকহল্লকপা য়হি ।

(2) বিজ্ঞান্না মীওইবদা মীৎয়েং অসি শন্দোকহনবা য়াই ।

(3) নুপী দজন খরনা বিজ্ঞানগী মিৎয়েং শন্দোকহনবা য়াই ।

(4) বিজ্ঞানগী মীৎয়েং অসি অসুম অসুম শন্দোকহনবা য়াই ।

124. কনানা মহৌশাবু খুদুম চনবগে ?

(1) মখোয়না মহৌশাবু খুদুম চল্লি ।

(2) মখোয়না পৃথিবীবু খুদুম চল্লি ।

(3) ঐখোয়না মহৌশাবু খুদুম চল্লি ।

(4) নহাক্না মহৌশাবু খুদুম চল্লি ।

125. ইশা ইশাগী অমসুং অমনা অমগী থবকপু খুদুম চনগে হায়রবদি করি তৌবা তাই ।

(1) ইশা ইশাগী থবক খুদুম চনবা তাই ।

(2) অমনা অমগী থবকপু খুদুম চনবা তাই ।

(3) ইশাগী অমসুং অতোপ্পাগী থবক খুদুম চনগনি ।

(4) বিজ্ঞানগী মীৎয়েং অসি লেবোরেটো রিদগী মপান্দা পুথোরক্কুনা অয়ুক-নুমিদাংগী পুনসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিংদা পানশিন্নবা হোৎনবা তাই ।

126. বিজ্ঞাননা নুপা-নুপীগী পুন্সিদা হিরম কয়াদা ঈথিল পীবগে অমসুং মদু করি করি ঈথিল নো ?

(1) নুপা-নুপীদা ঈথিল পীরে ।

(2) বিজ্ঞান্না হীরম অনী ঈথিল পীরে ।

(3) নুপা-নুপীনা শগোল গাড়ী তোংদুনা চৎপগী মহুত্তা মোটোর কার থৌদুনা চৎপা য়ারে ।

(4) বিজ্ঞাননা মীওহবদা হীরম অনী পীরে । মদুনা ঈথিলনা মীওইবনা শগোল গাড়ী তোংদুনা চৎপগী মহুত্তা মোটোর কার থৌদুনা নম্রগা বস তোংদুনা চৎপা য়ারে অমসুং অমনা ভূত-প্রেত শান্নদুনা লায়েংবগী মহুত্তা ডাক্তর নম্রগা সরজন লায়েংবিবা ফংলে ।

127. বিজ্ঞাননা মীত্তইবনা লায়না শিন্নবগী করি

(1) থাঙনা য়ান্দুনা শিজরে ।

(2) বিজ্ঞান্না ওটোমেতিক পিস্তোল ।
পুথোকপদগী - পিস্তোল নত্রগা-নোংমৈ ।
মরু অমনা শিহনজবা য়ারে ।

(3) নোংমৈ মরু অমনা শিহনজবা য়ারে ।

(4) শীংজংনা য়ান্দুনা শিজবা য়ারে ।

128. বিজ্ঞানা নুপা-নুপীগী ৰাখল মীৎয়েং অমসুং মোৎকী লমদা করম্না ঈথিল পীবগে ?

(1) মী অয়াম্বনা পৃথিবী মতুম তায় হায়বসি থাজনরে ।

(2) অতিয়া অসি কন-কন লাউবা পোৎশক নত্তে ।

(3) মী অয়াম্বনা পৃথিবী অসি মতুম তায় অমসুং অতিয়া অসি কন-কন লাউবা মহুত্তা ইহাং হাংঙি হায়না বিজ্ঞান্না নুপী-নুপীদা পীরিবা মীৎয়েং অমসুং মোৎসি থাজনরে ।

(4) বিজ্ঞান্না মীত্তইবদা পীরিবা মোৎসি থাজনদ্রে ।

129. করিবু অপঙবনি হায়না খনবা লানবগে ?

(1) ইন্দস্ত্রি, লৌউ-শিংউবগী লমদা অত্তনবা পুরকলিবা মীৎয়েং অদু কান্নরোই খনবনি ।

(2) অত্তনবা পুরকপা মীৎয়েংবু কান্নরোই খনবদুনি

(3) ইন্দস্ত্রি, লৌউ-শিংউবা, লান অমসুং হিদাক লাংথক্কী লমদা অত্তনবা পুরকলিবা মীৎয়েংবু করিসু কান্নরোই খনবদুনি ।

(4) হিদাক-লাংথক্কী লমদা অচৌবা অত্তনবা পুরকলিবা মীৎয়েংদুনি ।

**লাই হরাওবা**

মৈতৈশিংবু মশক তাক্লবা মচল থিগে হায়রবদি 'লাই হরাওবা'দা থিবা তাই মসিদা তাইবং শেম্বা মপুবু নীংশীংবগা লোয়ননা মালেম নম্রকপা, তাইবং পোং পোক্লকপা, খুন্দাখিবা, মখোয়শিংদুবু উৎপা অমসুং থাবা মরীক চুম্বা জগোই, ঈশৈ, অখন্নরবা মৈতৈশিংগী শান্নবা মখল কয়া, মৃক্লা, লমজেল অমসুং ফিজেৎ লৈতেং তান্নবা পুন্নমক তিনবা উরি । মণিপুরগী তমগী করম্বা মফমদা য়েন্নীং পানথা চঙলকপগা লোয়ননা হরাওবগী পুংখোল, ঈশৈনা নিলহন্দবা য়াওবগে ? অহল নহা পুন্না কুমগী নুংঙাইবা অসিদা হরাও মথোয় কামিন্নবা ঙাক্তনি । খুন্দোন্দা, খুন-য়াইদা অৰাংবা অচৌবা উপালগী মরক্তা, অশেংবা লাইফমদা মীসু লাইসু পুন্না হরাওমিন্নদুনা উঙমদবা অমসুং অউবা অনীগী তিন্নফম ওইরি ।

**করম্না হৌরকই** - মসি হৌরকপগী মতম অমসুং থৌদোক কনানসু হায়বা ঙম্নদে । মৈতে কাঙলুপ্না মশাগী লাইনীং লৈরকপদগী থাগোম্ন রক্লবনি হায়বা য়াই । ঐখোয়না "পানথোইবী খোঙ্গুল" দা ইহাম হান্না খাবা শোকচোংবগী মমৌ, তরংখোইনুচাগী তালোয় মৈতে নিঃথৌগী মচানুপী পানাথোইবীনা নোংপোক নিংথৌগী মফমদা চৎখ্রবদা মনেম মনুতেকঙা অমসুং মকুবোক্লা লাইশঙ শাদুনা পান থোইবী অমসুং নোং-পোক নিংথৌবু লাৎপা হৌখি হায়বা থেংনৈ খাবা শলাইগী নীংজবা থুংহন্নবা লাইনিংথৌ লাইরেম্মা অনীনা থৌয়গী অশেংবা, মশক অদু উহনখি; অদুগা নোংমাইজিং চীংমায়দা মবানিনা হরাও মথোয় কানাশান্নখিবা কূমৈশিং অদুবু খাবা মরানয়ায়দা অশেংবা লাইফম শেমদুনা ইকায় কায়দনা শান্নখি । ইবুংঙো ইবেম্মা অনীনা হরাও মথোয় কাখিবদা ঔগ্রি, খেনচো, পাউশা ঈশৈ শরুস্থি অমসুং মখল কয়াগী জগোই শাপ হায়না থাজনরি ।

অরিবা লাইরিক্তা থেংনরিবা 'লাই হরাওবা' হৌরকপগী ৱাবোলদি মসিদনি । "থিরেল লায়াৎ"তা পনবদি পান্থোইবীবু হান্না হায়রম্বা নিংথৌ শা পাইবা অসি লাংবচক্তা পাল্লম্মী । অদুনদি পান্থোইবী অসি লাংবচক্তা লৈরম্বা তাই হায়না পণ্ডিত খেলচন্দ্রসিংহগী মিৎয়েং পীরি । মথংদা মাগী মকুরোক খাবা শোকচোংবা অসিসু নোংদা লাই রেল পাখংবগী মমাঙদা পাল্লম্বনি । মমৈথংদা নোংদা লাইরেল পাখংবনা খীবা নোংজেনবু ঙমদুনা খাবা শলাই কাংখোং চাইনা কায়দুনা চেন্নাখ অমসুং শলাই অসিগী মশক নাইবা খাবা নোংঙানবদি মৈতে নিংথৌদা চঙজখি । হরাওবগা মরী লৈননা ফংবা ৱারী অমসুং ইতিহাসকী ৱারোলদি মসিদনি ।

**তৌগদবা তাকপা** : অপীবা ৱারেং মতেক অদুদগী ৱাহং **130** দগী **135** ফাওবগী খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীরকউ :

**130.** লাইহরাওবদা করি করম্বা মশানা উৎপগে অমসুং করি তান্নবগে ?

(1) মুক্না শান্নবা উৎলি ।

(2) লমজেল তান্নবা উৎলি ।

(3) মুক্না, মলজেল অমসুং ফিজেৎ লৈতেং তান্নবনি ।

(4) মুক্না অমসুং লমজেল উৎপনি ।

**131.** লাই হরাওবদা কনা কনা মথোয় কামিন্নবগে ?

(1) নহাশিংনা হরাও মথোই কামিন্নবনি ।

(2) অহল নহা পুন্না কুমগী নুংঙাইবা অসিদা হরাও মথোয় কামিন্নবা ঙাক্তনি ।

(3) অহলশিংদনা হরাও মথোই কামিন্নবনি ।

(4) নুপাদনা হরাত্ত মথোই কাবনি ।

**132.** লাই হরাত্তবা হৌরকপগী মতম অমসুং থৌদোক কনা হায়বা ঙম্বগে ?

(1) লাই হরাত্তবা হৌরকপা মতম অমসুং থৌদোক কনাসু হায়বা ঙমদে ।

(2) মী লোইনমক্না হায়বা ঙমই ।

(3) মাইবদনা হায়বা ঙমই ।

(4) মাইবীদনা হায়বা ঙমই ।

133. খাবা শোকচোংবগী মমৌ কনানো ?

(1) লিম্হোই ঙস্বীনি ।

(2) থোইবীনি ।

(3) পাম্বোইবীনি ।

(4) য়ুমজাও লাইয়েম্বীনি ।

134. মৈতৈবু মশক তারুবা মচল থিগে হায়রবদি করিদা থিবা তাই ?

(1) য়াওশঙদা থিবা তাই ।

(2) কাংচিংবদা থিবা তাই ।

(3) য়াওশঙদা থিবা তাই ।

(4) মৈতৈবু মশক তারুবা মচল থিগে হায়বদি লাই হরাওবদা থিবা তাই ।

135. লাই হরাওবদা কনাবু নীংশিংবগে ?

(1) সোরারেনবু নীংশিংই ।

(2) ভাইবং শেম্বা মপুবু নীংশিংই ।

(3) পাম্বোইবীবু নীংশিংই ।

(4) মহাদেববু নীংশিংই ।

**তৌগদুবা তাকপা** : খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাখুম পিয়ু

136. 'থিজিনবদা য়ুম্ফম ওইবগা তম্বা' (enquiry based learning) হায়বসি

(1) তম্বিরিবদুনা তন্নম্নবা মচাক পুথোক্নুনা তম্বিবদা মতেং পাংবদুনি ।

(2) মহৈরোইশিংনা মশানা থিজিন্নবা তৌজবদুনি ।

(3) মথক্তা পিরিবা অনিমকসিনি ।

(4) অনিশুবসি খক্তনি ।

137. "হৌদোং তুমিন লৈবনা চফুঙ ম্মী" হায়বসি

(1) পাউরৌনি ।

(2) হেনজিন্না ৱা ভাংবনি (hyperbola) ।

(3) ৱা অকনবগী মহুত্তা অমেংবনা (Euphemism) হায়বনি ।

(4) খুদম্না অর্থ ফোংদোকপনি (Symbolism) ।

138. মোনানা গাড়ী থৌরিবসি য়াম্না হেন্না হৈহনবা য়াই ।

(1) মোনানা ফজনা গাড়ী থৌবগী মত্তংনি ।

(2) মোনানা চেকশিন্না গাড়ী থৌবগী মত্তংনি ।

(3) মোনানা গাড়ী ফজনা থৌদবদু ফজনা মত্তংদা হায়বনি ।

(4) মোনানা মমাংদা থৌব গাড়ীগা হৌজিক থৌবগা চাংদমন্নবনি ।

**139.** পাদ্রিঙ্গো (pre-reading) দা, পান্নবা মচাক য়াওদনা খন্নবসি খ্বাইদগী নকশিন্নবসি

(1) Generative transformational approach নি ।

(2) Rassias method নি ।

(3) Grammar translation method নি ।

(4) Audio-lingual method নি ।

**140.** অচুম্বা punctuation দু খন্দোকউ ।

নঙনা তোম্ববু - চাওবদা অহানবা খঙনহনবনি ।

(1) চাউবা --------- মাসি তোম্বনি ।

(2) চাউবা, মাসি তোম্বনি ।

(3) চাউবা / মাসি তোম্বনি ।

(4) চাউবা-মাসি তোম্বনি ।

**141.** সধারণগী লাইরিক তম্বা অমসুং তোপ-তোপ্পা লাইরিক তম্বা (Special education) অনিসি খেৎনহন্দনা থম্বা স্কুলশিংদুবু ।

(1) তোপ-তোপ্পা স্কুলনি ।

(2) তোঙান্না খল্লগা পুথোকপা স্কুলনি ।

(3) স্টেনদারদ স্কুলনি ।

(4) ইনক্লুসিভ (inclusive) স্কুলনি ।

**142.** সেসন খুদিংগী অরোইবদা ওঝানা মহৈরোইশিংগী তাবগী খঙবা ঙাংবগী পাবগী অমসুং ইবগী চাংয়েং তোই । মসিগী চাংয়েং অসিগী মথৌদি -

(1) মহৈরোইশিংগী লোন তম্বগী অপাম্বা খঙদোক্নবা উপায় নি ।

(2) ওকাশিংবু – তম্বিন্নবা সচাকশিং খঙদোকপদা মতেং পাংনবনি

(3) মহৈরোই শিংনা পুল্লপ্না কয়াম খঙলিবমগৈ হায়বদু খঙন্নবা উপায়নি ।

(4) মহৈরোইশিংগী লোনগী ক্লাসতা মতুং কমদৌবলে খঙদোক্নবনি ।

**143.** E-learning হায়বসি

(1) distance education নি ।

(2) hardware হাপচিনল্লগা তম্বনি ।

(3) technology শিজিন্নরগা পুন্না তম্বনি ।

(4) ফিলমগী ডোক্যুমেন্ট্রিনি ।

**144.** ওকা অমনা অশেংবা মচাক চামিল পাবদা শিজিন্নগে হায়বদি মখাদা পিরিবশিং সিদগী লোয়না শিজিন্নবা য়াগনি অমখক্তা নত্তনা ।

অমখক্তংদু খন্দোকউ -

(1) তামিলগী খবর

(2) মদুরাই কৌবা ৱারেংঅমা ইংলিশ লোন্দা ফোংবা খবরদগী তামিলদা হন্দোকপা ।

(3) তামিলনাদুদা কোম্পনিনা শিজিন্নবা থকক্কী থান্নবা ফোঁস ।

(4) লম্বীগী সাইন তাকপা কোইম্বতোরদা লৈবা ফোটোগ্রাফশিং

**145.** ৱা ঙাংন্নদনা (non-verbal) ঙাংন্নবা হায়বসি

(1) ঙাংন্নবা ৱাশিংনি ।

(2) হকচাংগী ইঙ্গিতনা ঙাংন্নবনি ।

(3) মশিংসিংনি ঙাংন্নবনি ।

(4) প্রিন্ট তৌরবা ৱাহৈশিংনা ঙাংন্নবনি ।

146. মখাদা পিরিবা খুদোংচাবাশিংসি সধারন ওইনা cooperative group learning গা লোইনৈ । লেইন্নদবদু খন্দোকউ -

(1) মতম হেন্না পিদুনা মহৈরোইশিং হোৎন্নহনবদুনি ।

(2) হেন্না তুমিন্না লৈবা ক্লাসতুনি ।

(3) ওঝানা মপুংওইনা তাকপগী অতোপ্পা মত্তংদুনি ।

(4) মহৈরৌইশিংনা ৱাখল হনুরকপদা মখোয়-মশেল হেন্না থৌনা হাপ্পবদুনি ।

147. পাবদা অতোপ্পা খঙদোকপসি

(1) লাইরিক্তা ইথোক্কবশিং ইথোকপশিংদগী খঙদোকপনি ।

(2) পাবদা মচাকশিং মরি-লৈন্নহনবনি ।

(3) পারমা মতুংদা মসি ওইরম্বা হাইনা খঙহনবনি ।

(4) হান্না খঙদবা ৱাহৈশিংগী অর্থ য়েংবনি ।

148. মখাগী পাবগী চাংয়েংসিদা মার্ক করম হায়না পীগদগে ?

ৱাহং : মোইরাং কদায়দা লৈবগে ?

পাওখুম : (1) মণিপুরদ নি ।

(2) মোইরাং মণিপুরদা লৈ ।

(1) পাইখুম অনিশুবগী মার্ক (2), পাইখুম অমগী-০

(2) পাইখুম অসিগী মার্ক (1), অদুগা পাইখুম অনি শুবগী মার্ক (2)

(3) পাইখুম অমগী মার্ক (2), অদুগা পাইখুম অনি শুবগীদু মার্ক (2)

(4) পাওখুম অনি শুবগী মার্ক $1\frac{1}{2}$ অদুগা পাওখুম অমগী মার্ক (1)

149. য়ান্না পাবা হায়বসি

(1) য়ান্না ফজনা খঙদবা ৱাহৈশিংগী অর্থ ভাবনা শাবনি ।

(2) নুংঙাবগী অমসুং সধারণ ওইনা বিষয়-অমসুং খঙন্নবা পাবনি ।

(3) মনুংদা চেল্লিবা ৱাখল খঙন্নবনি ।

(4) লাইরিক অমদা-য়াওরিবা মচাকশিংদু মাংজৌন্নরা হায়বনি ।

150. তাবগী হৈশিংবা (listening skill) খঙদোক্লবা ও কানা Activity অমাশেমলে মসিগী খঙদোক্লবসি করিদা য়ুম্ফস ওইগনি

(1) মহৈরোইশিংনা মিংনা উবা অমা করিনো হায়বদু খঙন্নবা তাকপদু ওইগনি ।

(2) অতেনবা ফ্লিম য়েংবা অমসুং অমুক কুপ্পা য়েংবা ওইগনি ।

(3) নাকোংনা তাবা রেকোরদিং অমনী মথং মনাত্ত নাইবা activity মপুং ফাহনবদুনি ।

(4) মহৈরোইনা লাত্তনা পারা পাবদুনি ।

SPACE FOR ROUGH WORK

**মখাদা পীরিবা নীতি-নীয়মশিং (instruction) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :**

1. OMR অন্সর শীট কী অনীশুবা নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা কলন (column) মরিদুগী মনুংদা শুপ্নগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা ব্লু নত্রগা ব্লেক বোর পোইন্ট পেন্না ময়েক শেংনা মার্ক (mark) তৌগদবনি । অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুনা মার্ক তৌবা য়াদে ।

2. কেন্দিদেট শিংনা অন্সর শীট তু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে । অন্সর শীট তা রোল নম্বর ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি । অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে ।

3. টেস্ট বুকলেট (কোইসন পেপর) অমসুং অন্সরশীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্নগী টেস্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী নম্বর মান্নরমদবক্কী শিন্দোকপা নওনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই ।

4. কেন্দিদেট শিংনা টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী Code অমসুং নম্বর অদু (Attendance Sheet) তা ময়েক শেংনা চুন্না ইগদবনি ।

5. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল/room দা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চে-চাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকত্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে ।

6. ইনভিজিলেটর না হংলপ্পগা কেন্দিদেট শিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি ।

7. কেন্দিদেট অমত্তনা সুপরিনটেন্দেন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদন মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে ।

8. কেন্দিদেট শিংনা মশাগী অন্সর শীট তু ইনভিজিলেটর দা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদনা পরিক্ষা হোল থাদোকপা য়ারোই । মশাগী অন্সর শীট তু পীরল্লবসু এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেট শিংদি unfair means কী case ওইনা লৌগনি ।

9. পরিক্ষা হোল মনুংদা ইলেক্ট্রোনিক/মেন্যুল কালকুলেটর শীজিন্নবা য়াদে ।

10. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল মনুংদা পরিক্ষা থারিঙৈদা বোর্ডকী Rules and Regulations ঙাক্না চৎকদবনি । Unfair means নচিংবা থোকহন্নিংবা থৌদোকশিং থোকলকপদা বোর্ডকী Rules and Regulations কী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি ।

11. টেষ্ট বুকলেট নত্রগা অন্সর শীট কী করিগুম্বা মফম অমত্তদা শেগায়-তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই ।

12. **পরীক্ষা হেক লাইবগা কেন্দিদেট শিংনা মাগী-মাগী অন্সর শীট তু পরিক্ষা হোলদুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটর দুদা খুৎশিন্নরম্নগা মশা-মশাগী টেষ্ট বুকলেট তু পুরগা থোকখিগদবনি ।**

**READ CAREFULLY THE FOLLOWING INSTRUCTIONS:**

1. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with Blue/Black Ball Point Pen on Side-2 of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
2. The candidates should ensure that the Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
3. Handle the Test Booklet and Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
4. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet / Answer Sheet in the Attendance Sheet.
5. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the examination hall/ room.
6. Each candidate must show on demand his / her Admission Card to the Invigilator.
7. No candidate, without special permission of the Superintendent or Invigilator, should leave his / her seat.
8. The candidates should not leave the Examination Hall without handing over their Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where a candidate has not signed the Attendance Sheet a second time will be deemed not to have handed over the Answer Sheet and dealt with as an unfair means case.
9. Use of Electronic / Manual Calculator is prohibited.
10. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Board with regard to their conduct in the Examination Hall. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Board.
11. No part of the Test Booklet and Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
12. **On completion of the test, the candidate must hand over the Answer Sheet to the Invigilator in the Room / Hall.** ***The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***

**निम्नलिखित निर्देश ध्यान से पढ़ें :**

1. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर पत्र के पृष्ठ-2 पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह नीले/काले बॉल पॉइन्ट पेन से भरें । एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है ।
2. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस उत्तर पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ । परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक उत्तर पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें ।
3. परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र के संकेत या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी ।
4. परीक्षा पुस्तिका / उत्तर पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका संकेत व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से हाज़िरी-पत्र में लिखें ।
5. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश कार्ड के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, कागज़ की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है ।
6. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-कार्ड दिखाएँ ।
7. अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें ।
8. कार्यरत निरीक्षक को अपना उत्तर पत्र दिए बिना एवं हाज़िरी-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल नहीं छोड़ेंगे । यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार हाज़िरी-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए तो यह माना जाएगा कि उसने उत्तर पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा ।
9. इलेक्ट्रॉनिक / हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है ।
10. परीक्षा-हॉल में आचरण के लिए परीक्षार्थी बोर्ड के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं । अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला बोर्ड के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा ।
11. किसी हालत में परीक्षा पुस्तिका और उत्तर पत्र का कोई भाग अलग न करें ।
12. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी कक्ष / हॉल छोड़ने से पूर्व उत्तर पत्र कक्ष-निरीक्षक को अवश्य सौंप दें ।** ***परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं ।***

SEAL